**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-06-2025)**

**লৈতানপোকপী (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লৈতানপোকপীদা লৈবা সাদু লম্পাক লৌকোল হায়না খঙনবা মফম অসিদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা লৌ উবা চংলুবদা কাংপোকপী জিলাগী সোংফেল খুলগী খুঞ্জা খরা থোরক্লগা লৌ উবা য়ারোই হায়না থিংল্লকপদগী ইরাং থোকখ্রে।

মফম অদুগী মীয়ামনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না সাদু লম্পাক লৌকোলদা ঙসি অয়ুক পুং ৮ রোম তাবা মতমদা খুঞ্জা খরনা
সাদু লম্পাক লৌকোলদা লৌ খোইবা চংলুবদা থংননা লৈবা সোংফেল খুলগী মীওই খরা থোরক্লগা মফম অসিদা লৌ উবা য়ারোই হায়না থিংল্লকপদগী নিংঙাই শংদাইনরকখিবনি। মখোয়না ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না লৌ খোইবা চংবা মতমদা বি.এস.এফকী পার্সোনেল ১০ রোম য়াওরগা চংবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা লৈতানপোকপী খুঞ্জা তরুকলোম অশোক অপন নংখি। ফিভম অদু লাকশিন্নবা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স চংশিনদুনা য়েংশিনখি। নুংথিল পুং অমরোম তারকপা অদুৱাইদা সোংফেল খুলদা খুৎলায় পায়বা মীওই খরা চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী খুঞ্জাশিংদা অকিবা লৈবদগী খুঞ্জাশিংনা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুদা মফম অদু ওপরেসন তৌদুনা খুৎলায় পায়বশিং লৈহন্দনবা হায়জখি। নুংথিল পুং অহুম মখায়রোম তাবা অদুৱাইদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুদা চংশিনদুনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথখি। মদুদা, মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে হায়রি।

অমরোমদা, পুলিসকী পাউগী মতুং ইন্না, ঙসি অয়ুক লৈতানপোকপীগী লৌমীনা কুকি খুল মনাক্তা লৈবা সাদু লম্পাক্তা লৌ খোইবা চংশিল্লুবদা মফম অদুগী কুকি খুঞ্জা খরনা মফম অদু নখোয়গী নত্তে হায়দুনা লৌ খোইব অদুদা

অথিংবা পীরকখি। মতম অদুদা মফম অদুদা লৈবা মীতৈ খুঞ্জা খরসু চংশিল্লকখি। ফিভম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল এস.পিনা লুচিংবা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্স য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু চংশিনদুনা ইরাং লাকশিনখি। মফম অদু হৌজিক সেক্যুরিতিগী অহেনবা চেকশিন থোরাং লৌখৎলে অমদি পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক চেকশিননা ঙাক শেল্লি হায়রি।

**কোভিদ (এল) ঃ** রাজ্য অসিদা ঙসি নৌনা কোভিদ পোজিতিভ ওইবা মীওই মঙা থেংনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ নাইন্টিন পোজিতিভ ওইবা মীগী মশিং পুন্না ১৩ শুরে।

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা মীওই ১৪ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই মঙা পোজিটিব ওইবা থেংনদুনা জিলা অসিদা হৌজিক মীওই ৯ কোবিদ নাইন্তি পোজিটিব ওইরে।

কোবিদ নাইন্তিনগী মতাংদা রাজ্যগী ইন্টিগ্রেটেদ দিজিজ সরভিলেন্স প্রোগ্রাম (আই.দি.এস.পি) না পীবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না-বিষ্ণুপুর জিলাদা কোবিদ নাইন্তিনগী এক্তিম কেস অমা, ইম্ফাল ইষ্টতা অহুম ওইরি।

রাজ্য অসিদা কোবিদ নাইন্তিনগী কেস হেনগৎলকপা মরি লৈননা রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলে। লায়না অসিদগী ঙাকথোক বগীদমক মীয়ামনা চেকশিন্না অমদি কোবিদ নাইন্তিনগী চৎন-কাঙলোন ঙাকা চৎপীনবসু হকশেল বিভাগনা আপিল তৌরি।

**জন-১৮ (এল) ঃ** দা গ্রেট জন অপরাইজিং য়ুনিটি ডে থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি মনিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কেক্রুপাৎতা লৈবা অথৌবশিংগী নীংশিং খুভম শিৎ শেংখ্রে।

ইপসা, পান্দম, কিল, ইপাক, অকোম, কংলামৈ, কে.এস.এ,

এম.আই.কে.এল, অন্দোক, লোয়া লুপ, ই.আর.দি.ও, এস.ডব্লিয়ু.এ. সি.এল.কে. অমসুং অক্সিলনা পুন্না ঙসি কেক্রুপাৎ শিৎ শেংবগী থবক অসি পাঙথোকখিবনি।

**অভিয়ান(এল) ঃ** লৈবাক অসিগী ত্রাইবেল মীয়াম্বু চাওখৎহন্নবগীদমক পায়খৎলিবা খ্বাইদগী চাউবা কেম্পেইন ওইরিবা ধরতি অভা জন বাগিদারি অভিয়ান ঙসিদগী লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লি। কেম্পেইন অসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোকরি।

কেম্পইন অসিগা মরী লৈননা চান্দেল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এল. নন্দকুমারনা হায়-ঙসিদগী হৌরিবা কেম্পেইন অসি চান্দেল জিলাদসু খুল ৯১ দা পাঙথোক্কনি। কেম্পেইন অসি চত্থরকপা মতমদা জিলা অসিদা লৈরিবা মীয়ামসু মতেং পাংবিয়ু।

থৌরম অসি নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরদা লৈবা লোংমাই পার্ট থ্রিগী মল্টি পরপজ হোলদসু হয়েংদগী হৌদোক্লগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: সরাথ চন্দ্র অরোজ্ অমদি নোনেগী এস.পি. নমসাদাই পিটর পামৈ শরুক য়াগনি।

ফেরজোল জিলাদসু কেম্পেইন অসি জিলা অসিগী এ.দি.সি-এ.দি.এমনা হৌদোকখি। জিলা অসিগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্স পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা খুঞ্জাশিং অমদি ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**ডে (এল) ঃ** মালেম শিনবা থুংবদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী ফাদরস ডেগী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোকরি।

নোনে জিলাগী চর্চশিংদা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা চর্চ সার্ভিস অমসুং তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কুনা মপা ওইবশিংবু ইকায় খুমবা উৎলি। য়ম য়ুমদা মচা ওইবশিংনা মপাশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা অমসুং মথেল

লৌকোই পীজবনা নুমিৎ অসিগী থোইদোকপা শক্তম ওইরি।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙসি নোনে জিলাদা নৌনা শেমজিল্লবা হাইপৌ জাদোনং মেমোরিএল পার্ক শঙ্গাখ্রে। পার্ক অদু নোনে বটালিয়ন অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্টনা শঙ্গাখিবনি।

**ঈচাও (এল) ঃ** হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মফমশিংদা কা হেন্না অৰা অনা মায়োকখি। হৌজিক ফাওবদা ঈশিং ঈচাও নংলবা মীওইশিং লৈবা রিলিফ কেম্প ১৬ হাংদুনা থল্লি।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলকপগী মনুং চন্না ঙসিসু তেংবাংগী পোৎলমশিং পীবগী থবক চথখি। মসিদসু নত্তনা জিলা অসিদা লৈরিবা অতৈ রিলিফ কেম্প ৯২ দা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখি হায়রি।

**এনএসএস(এল) ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-এন. লোকেন্দ্র অমদি রাজ্যগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী দাইরেক্তর-ডা: ময়েংবম ভেটো সিংহগী লুচিং মখাদা ঙসি নেসনেল সার্ভিস স্কিম (এন.এস.এস) সেল-মনিপুর য়ুনিভরসিতিনা জেনিমস কেম্পস শিৎ-শেংখ্রে।

এন.এস.এস. সেল মনিপুর য়ুনিভরসিতিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হন্দক ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা জেনিমস কেম্পসপু অমুক হন্না লু-নান্না অমদি নীংথিনা থমবগী পান্দমদা ঙসিগী থৌরম অদু চথখিবনি। শিৎ-শেংবা অদুদা এন.এস.এস. সেল মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিটশিংগী ভোলুন্টিয়ারশিং, প্রোগ্রাম ওফিসারশিং অমদি য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস বিভাগকী য়ুথ ওফিসারশিংনা শরুক য়াখি।

**এআর (এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা

মালেমগী যোগ নুমিৎকা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে।

মশা মউ ফনা লৈনবা ৱাখল্লোনদা অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী মফম কয়াদা নহা, অহল অমসুং অঙাং য়াওনা যোগাগী সেসন কয়া পাঙথোকখ্রে।

**ৱেদর(এল) ঃ** মনিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলবা য়াই হায়না মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি।

সেন্টর অসিনা পীবা জিলাশিংগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না-সেনাপতি জিলাদা পুংদা কিলোমিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াংবা নুংশিৎ য়াওনা নুমিৎ মঙানি অসিদা নোং চুগনি। অতৈ জিলাশিংদা হায়রিবা ফিভম অসি মায়োকরবা য়াই।

অমরোমদা, মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্লিবা পুং ২৪ অসিদা মহারাস্ত্রাগী রতাগীরি অমসুং রাইগর জিলাদা রেদ এল্লার্ট লাউথোকখ্রে। তোঙান তোঙানবা জিলা খরদসু ওরেঞ্জ এল্লার্ট লাউথোকখ্রে। মসিগীদমক এন.দি.আর.এফ. অমসুং এস.দি.আর.এফকী মীওইশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈখ্রে।

**অমিত ঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-২০২৬ কী মার্চ ৩১ দগী লৈবাক অসি নক্সলাইট লৈতবা লমদম অমা ওইরগনি।

উত্তর প্রদেস পুলিসকী নৌনা খল্লবা কন্সটেবলশিংদা এপোইন্টমেন্ট লেট্টর য়েন্থোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অমিত সাহনা হায়-লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য ১১ দা নক্সলাইটকী ইরাং লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি জিলা অহুমখক্তা ঙায়রে।

লক্ষনৌদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শ্রী সাহনা মীওই লিশিং ৬০,২৪৪ দা এপোইন্টমেন্ট লেট্টরশিং য়েন্থোকখি। মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা লৈবাক অসিগী পুলিসকী ফিভম খুমাং য়াংনা ফগৎলক্লি। পুলিস

ৰ্মোদনাইজেসন অসি উত্তর প্রদেসতদি ২০১৭ তগী হৌখি।

মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথপু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-ডত্তর প্রদেস অসি হৌজিক্তি ইরাং লৈবা লমদম ওইদরে। ৱায়েল বিচার লৈবা লমদম অমা ওইরে। আইনা থুগায়বা মীওইশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুমবা উৎলম্বা অদু তোকখ্রে।

**ইসরোঃ** উত্তর প্রদেসকী কুশিনাগরদা ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) না রোকেট অমা মায় পাকা কাপখৎখ্রে।

রাজ্য অদুদগী রোকেট অমগী মতেংনা অপিকপা সেটিলাইট পেলোট অমা ইহান হানবা ওইনা কাপখৎখিবা অসি রাজ্য অদুগী ওইনদি ঐতিহাসিক ওইরবা থৌদোক অমা ওইরগনি।

ইসরোগী বৈগ্যানিক-অভিসেখ সিংহনা হায়-চাংয়েং অদু থ্রস টেক ইন্দিয়া লিমিটেদকী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবনি। রোকেট থাগৎপগী চাংয়েং অদুদা স্পেসক্রাফট অদু কিলোমিটর অমা মিটর ১০০ ৱাংবা মফম ফাওবা থাগৎপা ঙমখি। মদুগী তুংদা, অপিকপা সেটিলাইট অমা মফমদুদা থাদোকখি। সেটিলাইট অদুনা মিটর ৫ লৈমাইরোমদা তারক্লবা মতুংদা মসিগী পেরাচুদ কাপথোক্কুনা সেটিলাইট অদু লৈমাইরোমদা মিটর ৪০০ ফাওবগী মনুংদা তারকখি। কিলোগ্রাম ১৫ লুম্বা রোকেট অদুসু পেরাচুদকী মতেংনা অশোয় অঙাম য়াওদনা তারকখি।

**ইনর্জিঃ** কেন্দ্রগী ন্যু এন্দ রিন্যুয়েবল ইনর্জি মন্ত্রি-প্ররহ্লাদ যোসিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী নুংশিৎতগী লৌবা মৈগী চাং অসি মমাং চহিদা গীগাৱার্ট ৪৬.৪২ ওইরম্বদু হৌজিক গীগাৱার্ট ৫১.৫০ য়ৌদুনা চাদা ১০.৫০ গী মথক্তা হেনগৎলে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা মন্ত্রিনা হায়-মৈ পুথোকপগী চাং

হেনগৎলকপা অসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা হনোভেসন, গ্রীন টেকে ালোজিনচিংবা শিজিন্নদুনা মৈ পুথোকপগী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙমবগী মায়কৈদা হেন্না খুমাং য়াংশিল্লক্লি।

গ্লোবেল ৱিন ডেগী থৌরমগা মরী লৈননা শ্রী যোসিনা হায়-ভারতকী রিন্যুয়েবল ইনজিগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইনা চাউখৎপা উরে। সোল্লারগী হৌরগা ৱিন ইনর্জি পুথোকপা ফাওবদা জাতি অসিনা মাংলোমদা খোংজেল য়াংনা চংশিল্লি। সোল্লর ইনর্জি অসিনা লৈবাক অসিনা রিন্যুয়েবল ইনর্জি পুথোকপগী লমদা অনৌবা শাফু অমা পীরি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**কাইলাস ঃ** কাইলাস মান সরোভর যাত্রাগী যাত্রিকশিংগী অহানবা কাংবু ঙসি সিক্কিমগী গেংতোক্তা থুংগনি। যাত্রিকশিং অদুবু ওকবা সিক্কিম সরকারনা নিংথিনা শেম শারে। চহি মঙা লেপ্লুরবা তুংদা কাইলাস মান সরোভর যাত্রা অসি থা অসিগী ২০ দগী হৌগদবনি।

অকাশবানি নিউজগা ৱারী শান্নবদা তুরিজম অমসুং সিভিল এভিএসন বিভাগকী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি সি.এস. রাওনা হায়- অহানবা বেটচ অসিদা সরকারগী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা পুন্না যাত্রিক ৩৫ ঙসি গেংতোক্তা থুংগনি। মখোয়না নুমিৎ মরিনি ফিফতিন মাইল অমসুং সেরাথাংদা লৈরিঙৈ মনুংদা ঙাকশেল অমদি সরকারগী ওফিসিয়েলশিংনা মখোয়দা ৱাফম কয়া খঙহনগনি। থা অসিগী ২০ দা মুখ্য মন্ত্রি প্রেম সিংহ তমাংনা নাথুরাদা যাত্রা অসি লমথাগনি। শ্রী রাওনা হায়- যাত্রিকশিং অদুনা মেদিকেল অমদি অতৈ দরকার লৈবা খুদিংমক ফংহনগনি।

**ইরান** ঃ ইরানদা লৈবা ভারত মচাশিংনা ভারতকী দুতবাসতা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতম মতমগী ওইবা অকুপ্পা ৱারোলশিং লৌননবা খঙহল্লক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

ইরানদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ভারতকী দুতবাসকী সোসিএল মেদিয়াগী মতম মতমগী ওইবা অনৌবা ৱারোলশিংসু য়েংনবা খঙহল্লি। ভারত মচাশিংনা মীপায়দনা মফম অদুদা লৈনবা খঙহনবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

**ফুটবোলঃ** ১৫ শুবা অস্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমদি য়ুথ ৱেলফিয়ার ক্লব পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা ড্রো চৎখ্রে।

**ফুটবোলঃ** অনিশুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এফ.সি. রেংদাইনা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ৭-১ দা, সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা এঠলেটিক ব্রদরস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** দিবলপমেন্ট য়ুথ এসোসিয়েসন এলাংখাঙপোকপীনা শিংনদুনা চথরক্লিবা লেট এল. সনা এলাইজ ইঙম মেমোরিএল ফুটবোল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টাইগর এফ.সিনা টিনবি এফ.সিবু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা, এম.এম.এফ.সি-ককচিংনা রাইজিং স্তার এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।